

আইদিয়েল য়ুথস এসোসিএসন ককচিং ৱাইরিনা এসোসিএসন অসিগী মনুংদা লৈবা তোঙান তোঙানবা লমশিংদা মিংচৎ পুরকখ্রবশিংবু হরাও তয়াম্না ওক্কুনা তুংগী পুন্সিদা হেন্না মায় পাকপা ওইনবা পূক্নিং থৌগৎখিবা



মণিপুর লৈঙাক্লা হৌখিবা সেপ্টেম্বর ২০দা মণিপুরগী মফম খরদগী য়ু শুংবা অমদি য়োনবগী লৈরম্বা অথিংবা লৌথোকখিবগী ৱারেপ অদু হন্দোক্কদবনি হায়না চুড়াচান্দপুরগী মন্ধোপ লৈকায় অমদি নিঙেল কম্যুনিটি হোলদা ৱাকৎ মীফম চথখিবা

পেট্রিওটিক রাইটর্স ফোরম মণিপুরগী থৌমীশিংবু মণিপুরী লাইব্রেরী এন্দ রিছার্স সেন্টর বাংলাদেশকী লুচিংবশিংনা তরাম্না ওকপগা লোয়ননা নিংঙোল চাক্কৌবগা মরী লৈননা মায়কৈ অনীমক্তগী অঙম্বা খুদোলশিং খুৎশিন্নখিবা




লমদিং এদ্যুকেটেদ ৱেলফেয়র এসোসিএসন (লেৱা) লমদিং থৌবালনা শীন্দুনা লমদিং লৈকায় মঙাদা অতোপ্পা ফুরুপশিংদগী মৈতৈদা য়ুম পাল্লকখ্রবা নিংঙোলশিংবু চাক্কৌদুনা অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন শাগৎনবা হোৎনখিবগী নুংশিরবা মমি



## ভিজিট তৌখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩০ (ঐচ এন এস) :
হৌখিবা ওক্টোবর ২৪দা নুপী অনী তুরেলদা লূপ্তুনা লৈখিদবা অদুগী লৈহৌরিবা ইমুং-মনুংশিংগী মীওইশিংবু য়েংশিনবা চৎখিবগা লোয়ননা দেপ্যুটি কম্মিস্নার উখুলনা রিলিফ মেটরিএলশিংসু মতেং পাংখ্রে। য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা দেপ্যুটি কম্মিস্নার উখুল কৃষ্ণকুমারনা ভিক্টিম ওইহৌরবা ইমুংশিংগী মীওইশিংদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মায়কৈদগী অঙম্বা মতেং পাংগনি হায়না দিষ্ট্রিক্ট ইনফোর্মেসন ওফিসর উখুলগী মায়কৈদগী থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি। খোঙচৎ অদুদা এস দি ও উখুল, সুরঞ্জয় মাইবম অমদি দি আর দি এ পি ও রোলেন্দসু শরুক য়াখি।

## মপোক কুমওন

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩০ (ঐচ এন এস) :
আইরন মেন ওফ ইন্দিয়া হায়না খঙনরিবা সর্দার ভল্লবভাই পটেলগী ১৪৭শুবা মপোক কুমওন থৌরম হয়েং ওক্টোবর ৩১গী অয়ুক পুং ৬তগী অয়ুক পুং ৮ ফাওবা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা চুড়াচান্দপুর দি সী সী ওফিসতা পাঙথোক্লগনি। লোয়ননা ওফিস অসিমক্তদা ইনি দয়াগী ফোর্মর প্রাইম মিনিষ্টর ইন্দিরা গান্ধী লৈখিদবদগী ৩৮শুবা দেথ এনিভর্সরিগী থৌরম অমসু হয়েং অয়ুক পুং ৬.১০ তাবদগী অয়ুক পুং ৮ ফাওবা পাঙথোক্লগনি হায়না এম পি সী সীগী জেনরেল সেক্রেটরি (এদমিনিষ্ট্রেসন) এস জিতেননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

লোয়ননা হায়রিবা থৌরম অনী অসি মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সী সী)নসু শীন্দুনা হয়েং ইম্ফালগী বি টি রোদতা লৈবা কোংগ্রেস ভবনদা অয়ুক পুং ৮.৩০ অমদি অয়ুক পুং ৮.৪০ তাবা মতমদা পাঙথোক্কনি হায়রি।

## নেসনল য়ুনিটি দে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩০ (ঐচ এন এস) :
সর্দাল ভল্লবভাই পটেলগী মপোক কুমওনগা মরী লৈননা সবদিয়রি ট্রেনিং সেন্টর (এস দি সী) বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স চুড়াচান দপুরনা শীন্দুনা নেসনল য়ুনিটি দেগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না এস দি সী বি এস এফ চুড়াচান্দপুরগী দি সী/এ দি এম আনন্দ অর্জুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

থৌরম অদু এস দি সী বি এস এফ চুড়াচান্দপুরগী পি পি এম জি, পি পি এম দি এস ইন্সপেক্টর জেনরেল উমেশকুমার নায়লনা ফ্লেগ ওফ তৌদুনা বাইক রেল্লি অমসু পাঙথোকখি। বাইক রেল্লি অদুদা চুড়াচান্দপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাকপা মীওই ১২০ রোম্না শরুক য়াখি। লোয়ননা থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগী হায়বদি য়ুনিটি ইন দাইভর্সিটি অমদি নেসনল য়ুনিটি দেগী ৱাহন্থোক খঙমিন্নখিবগা লোয়ননা পুনবগী থৌনা উৎতুনা লৈবাক অসিবু ঈং-চিকপা, চাউখৎপা লৈবাক অমা পুরক্নবা পাউজেলসু পুখি হায়রি।

# পোইরৈতোনগী মরমদা নীংথিনা থিগৎতুনা শেমগৎ শাগৎলবদি লমদেংবু মীয়াম্বু হেন্না মশক খঙলক্কনি : নন্দো

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩০ (ঐচ এন এস) :
লমদেং হায়রিবা খুল অসি পোইরৈতোননা খুল থোরকপদা খুন্দা-লৈতাবদা নুংঙাইবা মফম মথং মথং থিরকপদা খ্বাইদগী নুংঙাইবা মফমনি হায়দুনা খুন দাখিবা মফম অমনি। অসিগুম্বা মফম অসি পুৱারীগা য়াম্না মরী লৈনবনা মরম ওইবনা পাইওনিয়র ক্লবনা মপুং ওইবা থৌদাং লৌদুনা পোইরৈতোনগী ওইবা ফজবা মফম অমা শেমগৎহন্নিংই। লমদেং অসি পোইরৈতোননা খুন্দাখিবা মফমনি হায়বসি মীয়াম্না খঙবা য়াম্না ৱাৎলি। পোইরৈতোনগীদমক নীংথিনা থিগৎতুনা শেমগৎ-শাগৎলবদি লমদেংবু মীয়াম্না মশক হেন্না খঙবগী মথক্তা মণিপুরগী পুৱারী অমদি নাৎকী ওইবা কয়াদা হেন্না মশক মচু থোকপা হেনগৎকনি হায়না অমুকোগী প্রসিদেন্ট ফৈরোইজম নন্দো লুৱাংনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি পাওনিয়র ক্লব, লমদেং লিংখৎখিবগী চহী ৫০ মপুং ফারকপগী থৌরম পাওনিয়র ক্লবকী গ্রাউন্দদা পাঙথোকখিবা




থৌরম অমদা ফোঙদোকখিবনি। ঙসিগী থৌরম অদুদা সোসল ৱার্কর ৱাংখৈময়ুম ওংবী সুমতি, মিলিনিয়ম ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্সেসকী লেকচরর ডা. টি ঐচ শান্তবির, আর এফ ও হেদ ক্বার্টর তমেংলোংগী কে ঐচ হিটলর, জেদ ঈ ও থৌবাল এ অনিলকুমার, সোসল ৱার্কর টি ঐচ যমুনা, পাইওনিয়র ক্লবকী প্রসিদেন্ট কে ঐচ লোকেন্দ্রো, রুরেল য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট ঐচ জিবন অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসনগী প্রসিদেন্ট হেরামনি খাবানা মথংশিংনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুগী মনুং চন্না রিছোর্স পার্সন ওইনা ডা. লাই ইমোনা পোইরৈতোনগা লৈনবা মরীগী মতাংদা ৱাফমশিং ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা নন্দো লুৱাংনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, নোংঙাদা লাইরেন পাখংবদা ময়ুম পান্দুনা নিংথৌকোলদা নুংঙাইনা লৈরিবী লাইস্না নিংথৌকোলগী নুংঙাইরবা পুন্সি মরেল অদু মতম খরা থাদোক্লগা কংলাদগী লমদেংদা লৈরিবা মবুং পোইরৈতোনগী মনাক্তা লাক্তুনা লৌ লোকপদা মতেং পাংবা লাকখিবা অদুনা মবুং-মচলগী নুংশিবগী হৌরকফমনি লমদম অসি। পোইরৈতোননা মচলনুপী লাইস্নাদা চাকহাও খুদোল তৌখিবনা লমদম অসি চাকহাওগী হৌরকফমনি হায়বদা লাল্লোই। হান্নদি মৈতৈ খুন্নাইগী চৎনবীদা ময়ুম পানখ্রবী নুপীশিংনা মপামগী য়ুমদা চঙদুনা অহিং লেকপা অমদি চামিন-থকমিন্নবা য়াওদবগী চৎনবী অদু লৌথোক্তুনা নোংঙাদা লাইরেন পাখংবনা ময়ুম পানখ্রবী নিংঙোলশিংনা মপামগী ময়ুমদা চঙদুনা চামিন-থকমিন্নবা য়ারগনি হায়না লাউথোরকপদগী মথংগী চহী হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবদগী চাক্কৌবা হৌখিবনা লমদেং অসি নিংঙোল চাক্কৌবগীসু হৌরকফমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। অসিগুম্লবা পুৱারীগী য়াম্না মরুওইবা মফম অমা ওইরিবা লমদম অসি থিগৎপীবা অমদি শেমগৎ শাগৎপীবা ৱাৎপদগী মপান লমগী মীয়ামগী পূক্নিং চিংশিনফম দাইমন্দগুম্বা মফম অমা ওইরগদবসি মফম কয়াদগী পুরকপা ফত্ত-হাওদি হুন্দোকফম অমা ওইনা মীয়াম্না অসুম-অসুম মশক খঙবগী মওং অমা ওইনা লাক্লিবসি তৌদনবা হোৎনসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখিবা জেদ ঈ ও থৌবাল এ অনিলকুমারনা খুল অসিগী লায়রবা মহৈরোয়শিং লৈরগদি মখোয়না মহৈ-মশিন তম্বদা মতেং পাংবা য়াবশিং পাংগনি হায়বা ৱাফমশিংসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী মনুং চন্না লৈকায়গী অহল-লমনশিং অমদি লমদেং মখা লৈকায়গী ক্লাস টেন অমদি টুয়েল্বতা মায় পাক্লকখ্রবা মহৈরোয়শিংবুসু পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা খুদোল পীদুনা ঈকায়খুম্নখি।

# মণিপুরগী মীংচৎ পুরকখ্রবা মীওইশিংবু তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩০ (ঐচ এন এস) :
আইদিয়েল য়ুথস এসোসিএসন (আই ৱাই এ) ককচিং ৱাইরিনা এসোসিএসন অসিনা কোনবা মফমশিংদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা লমশিংদা ইরমদম মণিপুরগী মিংচৎ পুরকখ্রবা মীওইশিংবু হরাও-তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা ককচিং ৱাইরি কোঙ্গোই কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

আইদিয়েল য়ুথস এসোসিএসন (আই ৱাই এ) ককচিং ৱাইরিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা তরাম্না ওকখিবা মীওইশিং অদুদি হন্দক চহীদা গুজরাততা পাঙথোকখিবা ৩৬শুবা নেসনল গেমসতা সাইক্লিং হায়রিবা মশান্না অসিদা সনাগী মেদল অমা অমসুং লুপাগী মেদল অনী লৌরকখ্রবী ময়াংলম্বম সোনালি চনু, ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ)গী দেপ্যুটি চ্যেরপর্সন রেফ্রি কম্মিটি ওইনা খল্লকখ্রবা মোইরাংথেম মগহোর, বালশ্রী ওনর ২০১৬ ক্রিএটিভ আর্ট (পেন্টিং) ফংলকখ্রবা শৌগাইজম সন্তোশ অমদি আই আই টি খরগপুরদা পি ঐচ দি দিগ্রী ফংলকপা মোইরাংথেম নির্মল কুমারদা অচম্বা খুদোলপোৎশিং পীদুনা মখোয়গী পুরক্লিবা এচিভমেন্টশিং অদুগীদমক্তা থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংনা পূক্নিং থৌগৎখিবগা লোয়ননা মখোয়গী লাক্কদৌরিবা তুংগী পুন্সিদা লমদম অসিগী হেন্না মিংচৎ পুরকপা ওইরসনু হায়নসু মীয়াম পুম্বনা থৌজাল পীবীখি।

আইদিয়েল য়ুথস এসোসিএসন (আই ৱাই এ) ককচিং ৱাইরিনা শীন্দুনা ককচিং ৱাইরি কোঙ্গোই কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুদা আইদিয়েল য়ুথস এসোসিএসন ককচিং ৱাইরিগী প্রসিদেন্ট নাওরেম গোপালনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা অথোইবা মীথুংশিংনা লমদম অসিগী হৌরক্লিবা নহাশিংদা মখোয় মখোয়না পাম্না চৎচরিবা লম্বীশিংদা মায় পাক্নবগীদমক হোৎনবা য়াবা থবক থৌরমশিং হোৎনগদবনি অমদি মদুদা পাংবা য়াবা মতেংশিং পাংগনি। তৌবতবু মখোয়না হোৎনরিবা অদুদা পুকচেল শেংনা অমকপা য়াওদনা হোৎনরবদি মায় পাক্কনি হায়নসু ফোঙদোক্লখি।

# সনামহী লাইনিংনা য়াইফরে হায়বা পান্দমদা য়াইতিন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩০ (ঐচ এন এস) :
পাগী পুরম থিরসি, পুগী পুরম খঙলসে, ইপা লাইদি অহকপা, ইপু লাই অরুববু থিরসে, ইশাগী লাইনিং খঙলসে, সনামহী লাইনিংনা য়াইফরে হায়বগী পান্দমদা সনামহী লাইনিং (সলাই) ককচিং মালিয়াফম পালচা ৩৪১৫, মেরাগী ৪নি চনবা চৈচৎনা সেপ্টেম্বর ২৪ কুমজা ২০১৭তা শাফোঙজদুনা নোংমাইজিং খূদিংগী চত্থরকপা য়াইতিনগী থৌরম ঙসি নুমীদাং ককচিং লাইথাগোল লৈকায়দা লৈবা খা কংলৈ পান্থোইবীগী শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে।

পেনা অশৈবা নাওরেম মালেমঙানবনা লৈশেম্বী ইমাবু শৈথা পেনাগী শৈহক শক্তুনা হৌদোকখিবা থৌরম অদু সলাই, ককচিংগী লুচিংপুরেল মঙাংচা রাজেন অমসুং এন প্রিয়োকুমার অনীনা সনামহী লাইনিংগী মতাংদা মরুওইবা ৱাফমশিং ফোঙদোকখি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা মঙাংচা রাজেননা ফোঙদোকখিবদা, ঐখোয়না ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিংগী লাইনিং-লীক্লম হঙ্গৎনা য়েংদুনা ইনাৎ লাইনিংগী হঞ্জিনবগী মতম অদু ওইরে। ঙসিদি ককচিং লমদমদসু সলাই ককচিংগী হোৎনজমলনা ইনাৎ লাইনিংবু নাথৈদুনা চৎলুরবা কয়াসু সনামহী লাইনিংদা হঞ্জিনবা হৌনরক্লে। ইপা-ইপুশিংগী লাইনিংদা হঞ্জিল্লকপা, ঈগী ইরম, পাগী পরম থিরকপা অসিনা মাঙলোমদা চঙশিনবা খুন্নাই অমা অমদি মালেম অমা শোয়দনা পুরকপা ঙমগনি। সনামহী লাইনিংনা অথোইবা লাইনিংনি হায়বসি লমদম অসিদা লৈমিন্নরিবা পুম্নমক্না নীংশিংলসি হায়খি।

## নিংঙোলশিং চাক্কৌখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩০ (ঐচ এন এস) :
নিংঙোল চাক্কৌববু হেন্না মপুং ফাহন্দুনা নুংশি-চান্নানা হিংমিন্নবগী পান্দমদা লমদিং এদ্যুকেটেদ ৱেলফেয়র এসোসিএসন (লেৱা), লমদিং থৌবালনা শীন্দুনা লমদিং লৈকায় মঙাদা অতোপ্পা ফুরুপশিংদগী মৈতৈদা য়ুম পাল্লকখ্রবা নিংঙোলশিংবু চাক্কৌবগী থৌরম ক্লব অসিগী ভোল্লিবোল গ্রাউন্দদা পাঙথোকখ্রে হায়না লেৱাগী প্রসিদেন্ট এস ওজিৎকী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

থৌরম অদুদা চাইল্দ ৱেলফেয়র কম্মিটি থৌবালগী চ্যেরপর্সন রোমেন মৈতৈনা ফোঙদোকখিবদা, অসিগুম্বা থৌরম অসি মৈতৈ খুলগী লৈকায়-লৈকায়না পাঙথোক্লররক্লবদি ঐখোয়গী নিংঙোল চাক্কৌবা হেন্না মপুং ফাগনি হায়না ফোঙদোকখি। লোয়ননা নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবী নিংঙোলশিংদা য়াইফ পাউজেলশিংসু পীখি হায়রি।

# খুমন্থেম প্রকাশকী দোক্যুমেন্টরি ফিল্মগী স্ক্রিনিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩০ (ঐচ এন এস) :
সাহিত্য একাদেমী অমসুং কলচরেল ফোরম মণিপুরগা খুৎশম্ন দুনা স্ক্রিনিং ওফ দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম খুমন্থেম প্রকাশকী ওইবা থৌরম অমা মৈনো লৈরক্তা পাঙথোকখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মণিপুরী এদভাইজরি বোর্দ সাহিত্য একাদেমী ন্যু দেল্লীগী কনভিনর নোংমাইথেম কিরনকুমার, ইমিনেন্ট ফিল্ম মেকর অরিবম শ্যাম অমসুং কলচরেল ফোরম মণিপুরগী প্রসিদেন্ট হুইরেম বিহারীনা মীফমলোয়শিং ওইনা শরুক য়াখি।



থৌরম অদুগা মরী লৈননা ইমিনেন্ট ফিল্ম মেকর অরিবম শ্যামনা ফোঙদোকখিবদা, খুমন্থেম প্রকাশকী পুন্সি অমসুং থবক্তা য়ুম্ফম ওইবা দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম অসি সাহিত্য একাদেমী ন্যু দেল্লীগী মীৎয়েং মখাদা পুথোকপনি। খুমন্থেম প্রকাশকুম্বা শক্লাইরবা মায়থোং য়াম্বা মীওই অমগী পুন্সি ৱারীদা য়ুম্ফম ওইদুনা দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম অমা পুথোকপা হায়বসি অরায়বদি নত্তে। চহী য়ামশিল্লকপা হায়বসি মশা-মউ শোন্থরক্লবা মতমগী মীওইবা অমসুনি। মসিদা ফিল্ম নম্বা হায়বসি অচৌবা শিংনবা অমসুনি। শক্লাইরবা খুমন্থেম প্রকাশনা মণিপুরগী খুন্নাইদা লৌরিবা থৌদাং অসি য়াম্না পাক চাউই। মণিপুরগী লিটরেচরগী লমদসু কল্লিবা ফিদা অসিসু তোপ-তোপ্পা মতিক ময়াই অমনি। অইবা অমগী থৌদাং লৌবা খক্তা নত্তনা সোসল ওইবা মীৎয়েং অমদা থন্নগা থবক তৌবা মীওই অমসুনি। শক্লাইরবশিংগী মরক্তা সাহিত্য একাদেমীনা দোক্যুমেন্টরি নমদুনা লাকপা শক্লাইরবশিংগী মনুংদা খুমন্থেম প্রকাশসু য়াওদুনা থম্নবা হোৎনবনি। অদুবু দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম নম্বা অমদি রেকোর্দ থম্নবা নল্লিবসি অয়াম্বনা অহল ওইরবশিংদা মীৎয়েং থমদুনা নম্বনি। নহা ওইরিঙৈ মচিন তুমখৎলকপগী মতম য়ং-য়ং লাউরিঙৈদা নম্বা ওইরবদি অমুক্কা হেন্না নুংঙাইবা ওইগদবনি। অদুবু অহল ওইশিল্লক্লবা মতমদা নম্বা হায়বসি অহল ওইবা খরদা খুদোংচাদবা অৱাবা খরদি অদুম্মক মায়োক্লদবা নত্তে। অদুনা অহল ওইরিবৈদা নম্বগী মহুৎতা খরা নহা ওইরিবৈদা নম্বা হায়বসিগী মতমসি খরদি শেমদোকপা মথৌ তারে হায়না খল্লি হায়খি।

থৌরম অদুদা শক্লাইরবা খুমন্থেম প্রকাশনা ফোঙদোকখিবদা, অহল ওইরক্লবা মতম অসিদা ঐগী পুন্সি অমসুং থবক হায়বসিদা দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম নমদুনা থম্বা হায়বসি য়াম্না নুংঙাই। সাহিত্য একাদেমীনা ঐগী রেকোর্দ লৌবীদুনা ঐহাকপু মশক খঙবীবসি লাইবক ফবনি হায়খি।

# লম্লাই বি জে পি মন্দলগী অনৌবা ওফিস চলৌদা হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩০ (ঐচ এন এস) :
লম্লাই বি জে পি মন্দলগী ওইনা অনৌবা ওফিস অমা চলৌদা হাংদোকখ্রে। ওফিস হাংদোকপগী থৌরম অদুদা লম্লাই এ সীগী এম এল এ অমদি মণিপুর হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফ্টস দিভেলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিটেদকী চ্যেরমেনসু ওইরিবা কে ঐচ ইবোমচা, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ শর্দা, সিনিয়র ভাইস প্রসিদেন্ট এন নিম্বশ, বি জে পি ইম্ফাল ইষ্টকী প্রসিদেন্ট পি বিসেম্বর, বি জে পি লম্লাই মন্দলগী প্রসিদেন্ট ঈ অমিটকুমারনচিংবসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা জে দি-য়ুদগী বি জে পিদা নৌনা চঙলকপা ইমুং ৯ অমদি কোংগ্রেসতগী নৌনা চঙলকপা ইমুং ৭কী মীওইশিংসু তরাম্না ওকখি।



চলৌদা লম্লাই বি জে পি মন্দলগী ওফিস হাংদোকখিবগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ শর্দানা ফোঙদোকখিবদা, লম্লাইদা বি জে পিগী এম এল এ অমা মায় পাক্তুনা বি জে পি মণিপুরগী পাঙ্গল হাপ্পসিগী মথক্তা বি জে পি লম্লাই মন্দলগী ওফিস অমা হাংলবনিনা লম্লাই এ সীদা বি জে পিগী পাঙ্গল হান্নদগী হেন্না কল্লক্লগনি। লাক্কদৌরিবা ম্যুনিসিপাল ইলেক্সনদা লম্লাই ম্যুনিসিপাল কাউন্সীল বি জে পিনা শেমদুনা এম এল এগা চৎমিন্নবা য়াবা কাউন্সীল ওইহন্দুনা হীরম খূদিংদা চাউখৎনবা হোৎনহৌরসি। ফিশা-লোনশাগী হীরমদদি এম এল এনা হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফ্টস দিভেলপমেন্ট কোর্পোরেসনগী চ্যেরমেন ওইরবনিনা হেন্না কান্নবা লৌহৌবা য়ারগনি হায়খি।

এম এল এ ইবোমচানা ফোঙদোকখিবদা, মীওই খরনা অতম্নুনা চয়েৎননবা শীল্লকখিবদগী বি জে পি লম্লাই মন্দলগী ওফিস অসি হাংবা ঙমদনা লাকখিবনি। অদুবু ঙসিদি ওফিস অসি হাংবা ঙম্লবনিনা লম্লাই এ সীদসু পার্টি অসি হেন্না মপাঙ্গল কনখৎলগনি অমদি ঙসি ওফিস নৌনা হাংদোকপগী থৌরম অসিদা ইমুং ১৬কী মীওই ১০০ রোম অতোপ্পা পার্টিদগী বি জে পিদা চঙলকপসিনা লাক্কদৌরিবা ম্যুনিসিপাল ইলেক্সনদদি বি জে পিনা শোয়দনা চাউনা মায় পাক্লগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

# মণিপুর লৈঙাক্কী ৱারেপ হন্দোকউ হায়না লমদমসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩০ (ঐচ এন এস) :
হৌখিবা চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ২০দা মণিপুর লৈঙাক্কী কেবিনেট মীফম অমনা মণিপুরগী মফম খরদগী য়ু শুংবা অমদি য়োনবগী লৈরম্বা অথিংবা লৌথোকখিবা ৱারেপ অদুবু হন্দোক্কদবনি হায়দুনা কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহোল (কাদা) অমদি লমদম অসিগী তোঙান তোঙানবা ইমা লূপশিংনা চত্থরকপা দেমোক্রেটিক ওইবা খোঙজংশিংগী শরুক অমা ওইনা ঙসিসু তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা ৱাকৎ মীফম পাঙথোকখ্রে হায়না কাদাগী সেক্রেটরি ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি খুন্দোংবম আনন্দগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, মণিপুর লৈঙাক্কী ৱারেপ হন্দোকউ হায়না ঙসি পাঙথোকখিবা ৱাকৎ মীফম অদু চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা মন্ধোপ লৈকায়দা ওল মণিপুর ৱিমেন সোসল রিফোর্মেসন এন্দ দিভেলপমেন্ট সমাজ (নুপী সমাজ), ইমা লাইরেম্বী লূপ চুড়াচান দপুর, চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট নুপী সমাজ অমসুং কাদাগা পুন্না খুৎশম্নদুনা লৈঙাক্লা য়ু শুংবা অমদি য়োনবগী অয়াবা পীখিবা ৱারেপ হন্দোকউ হায়দুনা মীয়ামগী ওইবা ৱাকৎ মীফম অমা পাঙথোকখি।

পাঙথোকখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা মীয়াম্না য়ু লিগেলাইজ তৌবা য়ারোই, কেবিনেটকী ৱারেপ হন্দোকউ অমসুং নিশাগী ঈপাক্তগী ইচাশিংগী পুন্সি কল্লহৌরসি হায়বা খোল্লাও কয়াসু লাউখি হায়রি।

লোয়ননা নাকল অমরোমদা, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা নিঙেল কম্যুনিটি হোলদা ওল মণিপুর ৱিমেন সোসল রিফোর্মেসন এন্দ দিভেলপমেন্ট সমাজ (নুপী সমাজ), দ থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইটেদ ৱিমেন্স দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (থৌবাল ইমা), নিঙেল অপূনবা নুপী খুন্নাই লূপ অমসুং কাদাগা পুন্না খুৎশম্নদুনা মণিপুরদা য়ু শুংবা অমদি য়োনবগী অয়াবা পীবা য়ারোই হায়বা মীয়ামগী ওইবা ৱাকৎ মীফম অমসু পাঙথোক্তুনা লৈঙাক্কী কেবিনেট মীফম অমনা লৌখিবা ৱারেপ অদু অথুবদা হন্দোক্কদবনি। লোয়ননা মণিপুরগী হৌরক্লিবা মীওইশিংবু ময়াই কাবা চীঙ্গাক্তগী কনগদবনি হায়রি।

# পি এ দব্লিয়ু এফ মণিপুরগী থৌমীশিং মণিপুরী লাইব্রেরী এন্দ রিছার্স সেন্টর বাংলাদেশনা তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩০ (ঐচ এন এস) :
পেট্রিওটিক রাইটর্স ফোরম (পি এ দব্লিয়ু এফ) মণিপুরনা মণিপুরী কলচরেল কমপ্লেক্স (এম সী সী) বাংলাদেশ অমদি মণিপুরী য়ুথস ফোরম (এম ৱাই এফ) বাংলাদেশকা খুৎশম্নরগা বাংলাদেশকী এম সী সীদা পাঙথোকখিবা নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা পি এ দব্লিয়ু এফ মণিপুরগী মীহুৎশিং মণিপুরী লাইব্রেরী এন্দ রিছার্স সেন্টর (এম এল আর সী) লৈচোম্বম লৈকায় বাংলাদেশকী থৌমীশিংনা হরাও-তয়াম্না ওকখ্রে হায়না পি এ দব্লিয়ু এফ মণিপুরগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি এ কে গ্যানেশ্বরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

এম এল আর সী বাংলাদেশকী ফাউন্দর অয়েকপম অঞ্জুনা মপুং ওইবা থৌদাং লৌদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা সেন্টর অসিগী এদভাইজর লৈচোম্বম রাজ কুমারনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা পি এ দব্লিয়ু এফ মণিপুরগী প্রসিদেন্ট নাওরোইবম খম্বা লুৱাং, ফোর্মর প্রসিদেন্ট ডা. য়াইস্কুল খ্বাইরাকপম, ফোরমগী ভাইস প্রসিদেন্ট সোবিতা মোংজম, ফোরমগী সেক্রেটরি রাকেশ নাওরেম, ফোরমগী লাইফ মেম্বর ডা. কোন্থৌজম বিমোলা, পি এ দব্লিয়ু এফ গুৱাহাতি ব্রাঞ্চকী সেক্রেটরি রাজু মাইবমনচিংবসু শরুক য়াখি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা এম এল আর সীগী ফাউন্দর অয়েকপম অঞ্জুনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুরী লাইব্রেরী এন্দ রিছার্স সেন্টর অসি কুমজা ২০১৯গী ওক্টোবর ১দা পেট্রিওটিক রাইটর্স ফোরমগী সেক্রেটেরি রাকেশ নাওরেম অমদি মতম অদুগী প্রসিদেন্ট য়াইস্কুল খ্বাইরাকপম অনীনা মায়খুম হাংদোকপীরম্বনি। তেনখ্রবা চহী ৪ রোম অসিদা সেন্টর অসিদা মণিপুরদগী মমল য়াম্লবা লাইরিক কয়ামরুম কল্লেক্সন তৌবা ঙম্লে। সেন্টর অসিনা বাংলাদেশকী অফবা মহৈরোয়শিং লেপ্তুনা মেরিট এৱার্দ পীদুনা ঈকায়খুম্ন বসু উৎপা হৌরে হায়খি।

বাংলাদেশকী খোঙচৎতা শরুক য়াখিবা পি এ দব্লিয়ু এফ মণিপুরগী মেম্বরশিংবু মণিপুরী কম্যুনিটি বেদজেদ টুরিজম ভানুবিল মেজরগাওনসু হরাও তয়াম্না ওকপগা লোয়ননা বাংলাদেশ টুরিজম বোর্দকী মায়কৈদগী পীরকপা খুদোলশিং খোঙচৎলোয়শিংদা খুদোল তম্বীরকখি। থৌরম অদুদা মণিপুরী কম্যুনিটি বেদজেদ টুরিজমগী ফাউন্দর নিরঞ্জন, বোর্দ মেম্বর কৈশাম মনিন্দ্রোসু শরুক য়াখি।

# লিলোং পি এসকী মীৎয়েং মখাদা এম এ দি এ মণিপুর ওফিস হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩০ (ঐচ এন এস) :
ইরমদম মণিপুরদগী ময়াই কাবা চীঙ্গাক মরু ফংনা মুত্থৎনবগী পান্দমদা ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা লিলোং খুনৌদা লিলোং এ সীগী এম এল এ, এম দি অব্দুল নাসির; থৌবালগী এস পি জোগেসচন্দ্র হাওবিজম অমসুং লিলোং অসাম রাইফলস অমদি ও সী লিলোং পি এসকী মীৎয়েং মখাদা মীয়ামগা খুৎশম্নদুনা মণিপুর এন্টি দ্রগস এসোসিএসন (এম এ দি এ) মণিপুর ওফিস হৌদোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।




ঙসিগী থৌরম অদুদা লিলোং অসাম রাইফলসকী কেপ্টেন ইরফান খান, লিলোং পঞ্চায়টকী জিলা পরিষদকী কেন্দিদেট নাসির এলিয়স অমু, লিলোং ৱার্দ নম্বর ৬কী কাউন্সীল্লর অব্দুল বরিক অমদি এম এ দি এগী প্রসিদেন্ট সুহেব এলিয়স নৌসাদনচিংবনা থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা এম এ দি এ ওফিস হৌদোকপগী থৌরম অদুদা এম এ দি এগী প্রসিদেন্ট বুয়াময়ুম সুহেব এলিয়স নৌসাদনা ফোঙদোকখিবদা, লমদম অসিগী নহা কয়াবু ময়াই কাবা চীঙ্গাক্তগী কনবা ঙমহৌনবগীদমক চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন, থৌবালগী এস পি, লিলোং পি এস, লিলোং অসাম রাইফলস অমদি মণিপুরদা লৈরিবা মীপুম খূদিংমক্না সপোর্ট তৌমিন্নদুনা হোৎনমিন্নসি। মীয়াম্নসু এম এ দি এ এসোসিএসন অসিনা চত্থরকপা দ্রগস ওন ৱারদা সপোর্ট তৌবীয়ু। করিগুম্বা এসোসিএসন অসিনা ময়াই কাবা চীঙ্গাক য়োনবা থেংনরবদি লোগী মতেং লৌরগা থৌবাল এস পিগা পুন্না খুৎশম্ন দুনা লোগী ওইবা চৈরাক পীগনি। দ্রগসতা মীয়াম্নসু সপোর্ট তৌবীগনু। লমদম অসিদা লৈমিন্নরিবা ফুরুপ খূদিংমক্কী মীওইশিংনসু লমদম অসিগী হৌগৎলক্লিবা নহাশিংবু মাঙহন্নবগী মশক অমা ওইরিবা ইল্লিগেল দ্রগ শীজিন্নদুনা থবক থৌরম কয়া চত্থরিবা অসি থিংদুনা মপুং ফানা মুত্থৎপা ঙম্নবা হোৎনমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা মণিপুর এন্টি দ্রগস এসোসিএসন (এম এ দি এ) মণিপুর ওফিস হৌদোকপগী থৌরম অদুদা এসোসিএসন অসিগী থৌ পুনবগীদমক্তসু মীওই ১০না শাবা কম্মিটি অমা খনখি। এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্টনা বুয়াময়ুম সুহেব এলিয়স নৌসাদনা ওইরগনি। অদুগা জেনরেল সেক্রেটরিদা খুল্লাকপম অজিমুদ্দিন অমদি ট্রেজররনা রিয়াজনা ওইরগনি হায়রি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখিবা মীওইশিংনসু ময়াই কাবা চীঙ্গাক্ল। লমদম অসিদা লেপ্পা লৈতনা পীরক্লিবা চৈথেংশিংগী মরমদা ৱা ঙাংদুনা নহাশিং কনসি হায়খি।